*নুংশিরবা, পাম্মুরবা ইমালোল, মীতৈলোল অসিসু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরে। -খ্বাইরাকপম চাউবা (ৱাখলগী ঈচেল)*

# শৈরেং

## ইবানি কায়নরেদো ঙসিদি

— **নন্দলাল রোয়**

ইবানি কায়নরেদো ঙসিদি
কুমজা কয়াসু হৌখরে
ইবানি কায়নরে খঙদবনা
অরাপ্পগী চান্নবা মরুপ্পা
নঙগী নপাউবু হংলকই
করি হায়না খুম্মুগে?
নঙদি লল্লানবী ওইখরে
পুঙবা কায়রবা ঐহাক্না
চীংয়া-তময়া কোয়না পাই
ফৎত্রবা বিধিবু ৱারৌদুনা
কায়না মৈচাক খাঙলিবা ঐনি
করি হায়না খুমখিসিগে?
ঐবু নঙনা থাজহল্লম্বগুম
ওইদবা কয়া হায়জিন্দুনা
য়াইফরী হায়না খুমখিসিরা
অশেংবা শক্তম য়েক্তুনা
উনা উনা উনদ্রবা
ঈচেল অমগী তোর্ব্বান্নি হায়খিসিরা
করি হায়না খুমখিসিগে?

## ৱাহং

— **আর কে মীনা**

কনাগী নাপ্পদা তাহন্নীংদে
হংনীংবা ৱাহংসে হংলরোইদ্রা?
ঐবু ঙসিসে কনাদসু
পাউখুন্নীনবা লৈত্রবা ৱাহংসে।
ঙসিদি থোইনা হেন্না
মৈচাক পীরি থম্মোয়সিদা
ৱাখল আশা পূক্নিংসু
অমুবা লৈচিলতনা কুপখ্রে।
হংলুরগা পুন্নমক্কী মফমদা
কোল্লুগদ্রা ঐগী মৈচাকশিংসে
হাংলগদ্রা থম্মোয় অতিয়াসে খল্লি।

## ও পলেম

— **খুরাইজম শন্তোশী**

খূৎমাবা কয়াগী খোর্জেগী মহারানি
অশৈবগী খোঙচৎতা মুৎনাইদনা
ঙাল্লিবীনি ঐহাক্তি
তাইবঙ পূক্নিং ফমজাওথক্তা
নীংঙাইদনা য়াতারিবীনি
সংসারগী লীলা শান্নবুংদা,
থৌদাং কোকথোং পুদুনা
অখাঙ কনবা খ্বাংচেৎ লাক
নমদনা নাওহোং
খূৎতনা মৈরা
নীংহন্নদবা ফীজেৎ লৈতেংদুনা
লমজেল্লোই ওইরিবী।
শকফম কায়দা ফীজেৎ হোংদা
খোয়জি পন থিংদুনা
পন্থুংফম মায়কৈ পাংলিবী।
অৱা নুংঙাই পাল্লোয়না
সাহিত্যগী চরৈ ফজবী
মপোপ কায়দা ইন্দুনা
মালেম শিন্থুংনা কোয়রিবী।
করম্বা মনা পীবদা পকচগনি খঙদরে
মগুণতনা হেল্লবী
থম্মোয়নুংদি ফম্বাল্লিবী
ও পলেম ইমা নুংশিবী।

## পন্থুংগী মায়কৈ য়েংঙু

— **তোংব্রম শামুঙৌ**

নীংশিংবগী লমায়দা
মুৎলরোইদবা ঈগী মচুনা
ইদুনা লৈখ্রবা ময়েক লানা
লোইখ্রবা থৌদোক কয়া
হৌখ্রবা ৱারী শীংবুল
পুদুনা লাক্লি ঙসিসু
মতমগী খোঙচৎনা কায়দনা
এপ্রিল থানা লাকপদা।
হে! নুংশিরবী এপ্রিল থাজৎ
কাউখ্রবরনে নঙদি নীংশিংদ্রবরনে
নঙগী নশায়গোন নশুন্মাংদা
খাম্বী মৈনা মনীংতম
চাল্লকখিবা মৈরিগী মৈঙালনা
করিবু হায়না পাউদমখিবা
করম্বা থৌনা পীখিবা
অকাউ লৈরোন চনখ্রবরা
চৎখ্রবসু লোইখ্রবসু ঙম্না
হে! এপ্রিল থা নঙনা
ঙসি অমুক লাকপদা নৌহৌনা
হৌখ্রবা কয়াবু নীংশিংনা
এপ্রিল থা নঙগী নতম্বাক্তা
নীংশিং থাওমৈ থান্দুনা
মায়কৈ তাক্লিয়ে মুৎনাইদবা
পূন্সি লম্বী চৎপদা।
খাম্বী মৈখুনা মল্লবা
নঙগী অতিয়া মকোয়দা
কোয়পাই পাইরিবা থৱায়শিংনা
তারি শোন্থাংননা লাউরকপগুম
চৎলিবা লম্বী ৱাৎলিবনি
থাংউ খোঙথাং লেপকনু
লৈবনি লম্বী লম্মাংনগনু
পন্থুংগী মায়কৈ য়েংঙু।

## মাঙশিল্লক্লবা শক্তম

— **শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ইমা ঙসিদি নহাক্কী
লৌবুক লম্ধাং চীংয়া-তময়া
মহৌশাগী ঈং-তপ্পা নীংথিজবা
পূন্নমক লৈখিদরে,
তাহৈ-উহৈদবা, থৌদোক ৱাথোকশিংনা
পুমথন থনখ্রে, য়েংখি-য়েংখি
খুদিং পিরাংগী ৱারীতনা
পুমনিল নিলখ্রে।
অশংবা লৌবুক লম্ধাংদা
চৎতুনা লৌরাং শূরুবা
ফাওবা পূন্সি পিখন্নহল্লে,
নুংশি হৈত্রবা মীওইবগী
ৱাখল চেন্দ্রবা মীরক্তা
তিনবা য়াদ্রিবা শাহিং-ঙাহিং
চাদুনা অফবা, ফত্তবা
ৱাখল খনবা ঙমদ্রিঙৈ
মদুদগী হেন্না তমথিখ্রে।
মপুনা শেনবীদ্রবা শা-ষণগুম
পোকঙমদনা পোকপা মীওইপোক
খাঙুথক্তা পিখন্নদুনা লৈরাংনা
লৈখোঙদা তারদুনা মাঙবগুম মাঙলি।

## মী অমসুং শা

— **অঙোম ইবোমচা**

মীনা মীবু নুংশিদ্রবা
মীদুবু মীওইবা কৌখিদ্রা
মীসু থম্মোয় পাল্লিবনি
নুংশি মশক খঙলিবনি।
লায়র অনং খায়রিবসি
তাইবঙ জীবদি অমত্তনি
মচাবু নুংশিবা খঙলিবনি
অৱা-অনা উরিবনি।
মচা মশু য়োক্লবা
তারা চেঙজেন তানবদা
অৱা মৈশা খাঙনরি
নোংজু নুংশা মরক্তা।
পলেম্মক্নি নীংশিংদা
পম্বৌমক্নি খনঙমদা
নুংশিরবা ইচিল-ইনাওমক্নি খনঙমদা
মীনা মীবু হাৎঙম্বা।
ওইরে মিনু তাইবঙ মীওবা
মীনুংশি খঙদ্রবা হিংচাবা
শাশিংদি লৈখিদ্রে উমংদা
শিলহৌরে মহুৎ মীওইবনা।

## রেলগাড়ী

— **খাইদেম বোরসিং**

কাখৎলকপদা চরাংনৈ ৱাখল
মীগী মী ঙাক... ফম্ফমগী ৱাউনৈ।
লময়াই চল্লকপদা য়েংনীংলকই... লমিৎ তুমিৎ
থুংলমদাইদদি ... থৱায় পোৎলুমসে নত্তনা
করিসু উরক্তরে।

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫০৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্সু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লাইরেল মতিক ফুদোকনা। খংনং খুৎশু তারেল খূৎপায়না। মালেম লৈতং লেংনা। হুয়েল লালদা পলথেংলবদি। খোইবু পুংমাই খাংচেন য়াইগা চাইরে। ময়ুম মরাল মৈচাকলে। হুয়েল লালথেং খমলে। হুয়েল লালঙমঙৈদা। মঙন ওকলাবা কুমমৈশোলবা। হুয়েল শাকপপা কৌববু। লাকচাথীনা লালঙমলে। তুবী সনা খুৎশুনা। ময়ুম মাইকৈ হললকঙৈদা। খোইবু খাংচেনৱাইবা। মাঙল ওকলাবা কুমমৈশোলবা। হুয়েল শাকপপা ফাবা ও। মিংথোল মিংকৌখিয়ে। লাইরেল সনা খুৎশু খুৎপায়খিবদি। অসিনা লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ নোংপোক থংবা লম। খারি কবো তমপাক। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯰꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯇꯤꯛ ꯐꯨꯗꯣꯛꯀꯅꯥ꯫ ꯈꯪꯅꯪ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯇꯥꯔꯦꯜ ꯈꯨꯠꯄꯥꯏꯅꯥ꯫ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯂꯩꯇꯪ ꯂꯦꯡꯅꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯄꯜꯊꯦꯡꯂꯕꯗꯤ꯫ ꯈꯣꯏꯕꯨ ꯄꯨꯡꯃꯥꯏ ꯈꯥꯡꯆꯦꯟ ꯌꯥꯏꯒꯥ ꯆꯥꯏꯔꯦ꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯃꯔꯥꯜ ꯃꯩꯆꯥꯀꯂꯦ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯊꯦꯡ ꯈꯃꯂꯦ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯉꯝꯃꯩꯗꯥ꯫ ꯃꯉꯟ ꯑꯣꯀꯂꯥꯕꯥ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯣꯂꯕꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯁꯥꯀꯄꯄꯥ ꯀꯧꯕꯕꯨ꯫ ꯂꯥꯀꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯂꯉꯃꯂꯦ꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯁꯅꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨꯅꯥ꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯍꯂꯂꯀꯩꯗꯥ꯫ ꯈꯣꯏꯕꯨ ꯈꯥꯡꯆꯦꯟꯔꯥꯏꯕꯥ꯫ ꯃꯥꯉꯜ ꯑꯣꯀꯂꯥꯕꯥ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯣꯂꯕꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯁꯥꯀꯄꯄꯥ ꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯁꯅꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯈꯨꯠꯄꯥꯏꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯊꯪꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯈꯥꯔꯤ ꯀꯕꯣ ꯇꯝꯄꯥꯛ꯫ ●

# নরেন্দ্র নিংঙোম্বদা ইবোয়াইমা লীলারোই মনা লান্থোকপা



**মতম মতমগী ৱাখল**

**মাখোনমনি মোংসাবা**

নিংঙেল থুমশুংবীনা থুম থাক্তে হায়বা পান্থে অমা লমদমসিদা ঙল্লিঙৈদগী হায়নরকই। এঞ্জাংদা থুম থাক্লগাদি হাউতে মহাও খঙদে। হেঞ্জিন্না থাক্লুরগা চাবা য়াদে। মীগী এঞ্জাং হাউনবা থুম শুংদুনা পুথোকপা লমদম্নি নিংঙেল হায়রিবসি। থুম শুংবনা শিনফম ওইজবশিংনা মীয়ামগী চানবা থুম পুথোকপদা মশাগী চানবদি হেক্তা লৈহৌদবা, মশাগী খন্দবা মওং অদুদা হায়নবা পান্থেনি। মতম অমা, পামজনা কৌনরম্বা লমদমসিগী মীগী মমিং খরা লৈখি। বীরেন্দ্র, নরেন্দ্র, রাজেন্দ্র অসিনচিংবা মিংশিং অসি লমদমসিগী নুপা অয়াম্বনা পাম্না থোন্নরকখিবা মমিংনি। মিংশিং অসি লমদমসিগী য়েলহৌ মিংদি নত্তে। চীংলোন লান্না চঙলক্লগা থুংলখিবা মিং ওইগনি। পাম্না লমদমসিদা মিংথোন্নে। থায়নগী ঐখোয়গী অহল-লমনশিংদি সংস্কৃত, বংলা মমুৎ তানা খঙবনা মিংশিং অসিগী ৱাহন, আর্থ খঙনা মচা-মশুশিংদা থোনবীরম্মী। ৱাহন্থোক খঙনা থোনবীরম্বা ওইবনা, পক্লবদগী মিংশিং অসি থোনবদগী মচাশিং মীথোয়-মীহেনবা, মশক নাইবা মী ওইবা ঙম্নে। মিং থোনবা লুই। নুপা নুপীগী তোঙানবা মিংসু থোন্নে।

চৎনরকপা, থাজনবা অমা ওইনা, মচা নুপা য়াওজদবশিংনা মচা নুপা ফংজনবা মখা তারক্লবা হায়দুনা মচা নুপীদা নুপাগী মিং তোম্বা, চাউবা কৌনৈ। নুপী য়াওরক্লবা হায়দুনা মচা নুপা ঙাক্তা পোকচবদা, মচা নুপা অতোনবদা সনাতোম্বী, চাউবী হায়না নুপীগী মিং কৌনবসু লৈ। লাইগী মিং লক্ষ্মিসু কৌনৈ, লৈগী মিং থরো,থম্বাল, সনারৈ, কেতুকি, গুলাপ ফাওবা কৌনরকই। মাগী মাগী অপাম্বা অনীংবা, থাজবদা কৌনবনি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মিং অহুম বীরেন্দ্র, নরেন্দ্র, রাজেন্দ্র কৌবা মীওইশিং অসিদি তোঙাল্লি, মপা চারুবগীনি খঙদে মশক নাইবা য়াম্না ওইগল্লি। মিং অসি কৌগনবা মীওইশিংদি মবুক-মপাউ তপচবা, য়াম্না লেমজবা মী ঙাক্তনি। মতম অমা চানরল্লগসু লমদমসিদা হৌজিক মীয়ামগা খজিক্তং থৈনখিবা,চুরমদনা হনখিবা নোং ওইনা ঐখোয়গী মীয়ামগা চানখিদবা,মিংশিংগী মনুংদা,পক্লদবা হায়রগদি ‘নরেন্দ্র’ হায়বা মিং অসিনা হৌবা, মশক নাইবা মীশক অমনা ওইরি। ঙসি ঐনা শৈথাগে হায়না খোর্জে পায়খৎলিবসিদি নরেন্দ্র হায়বা অহানবগী মিংসি হৌবা মান্নরুবতনি অরোয়বদি মান্নদে। নীংঙেল থুমশুংবীনা মশাগী থুম থাক্তে। য়ূম শাবা মীনা মশাগী য়ুম চেক্লা শাদে, ফুরিৎ তুবা হৈবা মীনা মীগী ফুরিৎ মমল য়াম্বদি তুবী, মশাগীদি তুদে হায়বদুনি। মহাক অতৈ কনাসু নত্তে নরেন্দ্র নিংঙোম্বনি। মহাক্তি, মীগী মরমদা থাগৎচবা ফোংদোকচবা, থম্মোয়গী ৱাহৈনা শৈথারগা পেঞ্জবা মীশক্নি। মবুক চম্মী, ঙাঙনীংবদি দং দং, লৌথুপ লৌকোই লৈতে। ঙাঙবা শকপা হৈবদি পীথোল্লকপনি। ৱাহৈগী শক্লোনসু মশাগী পুক্কেদা চোন্না লৈ। মখল শুনবা ইবা ঙম্মী। নরেন্দ্র নিংঙোম্বা খঙদবা মী লৈরম্লরোই ঙসিগী তাইবঙদা। ঙসিগী নহারোলনা মাবু খঙলিবসি খজিক্তনি, চাক চখোম অমগুম্বতনি। ঙসিদগী চহী য়াঙ্খেগী মমাংদা মহাক্লা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর, শুন্মাং লীলা, ঈশৈ নোংমাই অমদি অতৈ আর্টকা মরি লৈনবশিংদা লৌরম্বা থৌদাং অসি হঙ্গৎনা য়েংলুবদা মী অমনা পুবদা ৱারগদবা কোকথোং ওইগনি। ঙন্না সরকারগী থবক ফংখি। থবক্তসু লৈথোক্তে। তলব খক্কী খনবা মীদা ওইখিদে। মশা শোন্থনা, তন্থনা লৈবা অমুক্তা থেংনখিদ্রি। ৱাদি তপ্পা ঙাঙগন্দে, মসিমদি ঐহাক্না মান্নজে। শংনা শংনা ঙাঙগনি, শাউবগী নত্তে মী তানবনি। মী তাহন্নীংঙি, ময়েক শেংনা,খোম্থোক চুম্না খঙহন্নীংবগীনি। ইমা মাইবীনা শরিক পায়খ্রগা লাইপাও চেল্লকপগুম, নরেন্দ্র নিংঙোম্বসু মাইক্রোফোন অমা পায়খ্রগদি, ৱাহৈগী নোং খাম্বা য়াদনা চুবা মীওইনি।

পামজবা হায়বসি লৈরমদ্রগদি মীওইবসি পোত্থাফম খঙলম্লোই। পামজবদগীনি লৈবু নাচোম ওইনা চিন্নরিবসি। চিনফম চাদনা, থেৎফম চাদনা থেৎলুরগনা ৱাথোক ওইবগী ৱানি। হৌজিক ফাওবদি ময়েক শেংলি। নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা, মণিপুরী নাৎকী মশক্তা, খঙজ- হৈজনবা তম্লুদবা করম্বা অমবু লৈরমগদগে? খঙগল্লি, হৈগল্লি। খঙগল্লিবা, হৈগল্লিবসি অতৈগী নত্তে। থৱায় য়াওবা, হোৎনবা লেপ্তুবা, চোকথবা নাইদবা, তনগন্দবা অসিদগীনি। তনগন্দবা হায়জরিবসি অফবদনি। নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, মরুপ অসিগী তন্দবগী জাৎতি ওজাশিংগী মনাক্তা মীনা চঙনদ্রিঙৈদা চৎলগা হংহৌবা, তমহৌবা অসি অমনি। শেন্দ্রাং ঙন্না চাক্তাবা, চেং মচং খুলহৌবগী কান্নবদুনি। মসিমক্লা, মহাক্লা মতম অমা য়াওজখিবা শুন্মাং লীলা কাঙলুপ, নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন, মীয়াম্না চাকথেকপী পার্টি হায়না খঙনখিবা ঙল্লিঙৈ খোঙথাং কন্না চৎলম্বা লীলাগী খুৎপু অদুদা থৌদাং লৌরমখিবা মীশক্নি। মহাক্লা কুমজখিবা লীলাদি হিরোগী (লিদিং রোল) শক্তম লৌদ্রগদি কুমজনীংদবা মীনি। ফত্তবা শাবগী শক্তমদি অমুক্ত উখিদ্রি হায়না খল্লি। ফাগী খরা পুবা শক্তমদা কৈশামথোং থোইবীদা বামোন মচা অমগী শক্তম লাংখি। অয়েংবনা বামোন অশেংবনি হায়নখিবা ফাওবা য়াওখি। ঙসিসু নীংশিংনরি, কৈশামথোং থোইবী শুমাং লীলাগী ঐজ্ঞা প্রামেশ্বর হায়রগদি নরেন্দ্র নিংঙোম্বনি। মতম অমগী শুমাং লীলা, বি এ থিবা লীলাগী ঐজ্ঞা তুলেশ্বর হায়রগা তখেল্লম্বম বুদ্ধবু খঙনখিবগুম্নি। মীয়াম্না,তখেল্লম্বম বুদ্ধ অশেঙবা মিংসি খঙনখিদে, ঐজ্ঞা তুলেশ্বর শাবা হায়রগা মহাকপু খঙনখি।

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা,লীলাদা চাংয়েং য়াম্না তৌনিংগনবা ময়াই চল্লকপা মতমগী শুন্মাং লীলাগী অফবা লিডিং এক্টরনি। মখল কয়াগী করেক্টর রোল শক্তম লাংনবা হোৎনখি। মতম অমা মমিং চৎখিবা ঙাইরাংবম ইবোহলগী স্ক্রুপ্ট, অবীরখান শুমাং লীলাবু নৌনা অমুক বীরসিংগী শক্তমদা মশানা লাংদুনা নৌনা শান্নদুনা চাংয়েং তৌখি। অসিদসু নত্তে,পৌরাণিক লীলা হায়না খঙনরম্বা মতম অমগী হিষ্ট্রিকেল প্লে হিরাচন্দ্র (চহী তরেৎ খুন্তাকপা) ফাওবা শক্তম লাংখি। ঈশৈ ময়েক য়াম্না ইবা লিরিসিষ্ট অমসুনি। মশামক্কী লীলা কাঙবু,নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী মহাক্লা লিডিং রোল ওইনা কুমখিবশিংগী লীলাগী ঈশৈশিং মহাক্লা ৱাৎতনবা মশীং য়াম্না ইদুনা শকখিবনি। লীলাদা নত্তে মণিপুরী ফিলমগী ঈশৈসু ইখি। ঙল্লিঙৈগী মতম অদু,ঈশৈ লীলা হায়না খঙনরিঙৈগী লীলাশিংনি। ঈশৈ লীলা হায়না খঙনবা শুন্মাং লীলা নৌনা পুথোক্লরকপদা, মুক্লা মশান্নদা মুক্লাগী যত্রা হায়বা অমা লৈবগুম মনম লৈপাক তারকখিদবা ঈশৈ লীলা হায়নরিঙৈগী নরেন্দ্র নিংঙোম্বনি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী শকখঙলবা শৈরেংবনি, আর্টিষ্ট অমসু ওইরিবনি। শুন্মাং লীলাগী কাঙলোন কূপ্না খঙজে, চাউখৎনবা হোৎনবদা শুমাং লীলা কাউন্সিলগী সেক্রেটরী ওইনা মতম শাংনা থৌ পুরকখি। মতম অমদি,শুমাং লীলাগীদমক পাম্বোম তিংবিনবা মী ৱাৎলমখিদে। থিকাদার,ডাক্তর,ইঞ্জিন্নিয়র হায়বা লৈতে শুমাং লীলাগীনি হায়রগদি য়ুম কাউথোক্লবা ঙাক্তনি। ময়াম অসিগী মফমদা অথুম্বা অথোৎপা ৱাহৈনা হায়জরুবদা ঙসি উরিবা ইবোয়াইমা শঙলেন অসি উবা ফংলকপনি। মসিদা নরেন্দ্র নিংঙোম্বগী ৱাহৈগী মমল য়াওরি। মহাক্লা পাংথোকখিবা থৌদাং ময়ামগী সাক্ষি পীবা তারবদি ঐহাকসু অমা ওইগনি। লীলা চাওখৎনবা অমদি ইবোয়াইমা শুমাংলীলা শঙ অসি শারক্লবা হোৎনবদা মহাক্লা চঙখিদবা থোংজিন লৈখিদে হায়বা য়াই। নরেন্দ্র নিংঙোম্বদি অনৌবা আর্টিষ্ট পুথোক্লবসু হোৎনরকই, মী শেম্মী। মহাক্কী ওইবা রাজনিতি অমা তোঙান্না লৈজরকই। আর্ট ফোর আর্ট শেক, কলানা কলাগীদমক হায়বসিদা থাজরকপা মীশক অমনি। মহাক্লা পামজরকপা, নুংশিরকখিবা শুমাং লীলা মতমগী মতুংইন্না থাদোক্লকখি। শুন্মাং লীলাদগী পোত্থাখি। ফিজিকেল ওইনা পোৎথাজবনি,ৱাখলদি হৌজিকসু শুন্মাং লীলাগা শম্নরি, লীলা শান্নরি। হায়দোক্তনা শুমাং লীলা তম্বীরি তাকপীরি, পুথোক্লি। পোত্থারে হায়রিবসি অমুকসু খঙহৌদনা লাওথোকপা থেংনখি মদুদি মহাক শুন্মাং লীলা অমুক কুম্বা হৌরগনি হায়না অথেংবদা,ঙরাং নহান হায়বা য়াই কুম্বা হৌরল্লবনি। মতম অমগুম্না অহিং তুম্‌দনা শুমাং খুদিং চৎলগা শান্নরম্বদো য়ারকখিদে। তাইনফম খঙদ্রবা ৱাখলনা হুয়েন লানপাউ পাউচেগী কলমনিষ্ট অমা ওইনা খাঙবা ঙমদবদগী ইথোক্লকখি, ৱাখল চাইথোক্লকখিবনি। মখল কয়াগী ৱারেং ‘নানি’ হায়বা অশেম্বা মিংদা শাইওন তৌদুনা ইথোক্লি। নীংশিংবগী থোঙনাওদা ‘ঐ অমসুং শুমাং লীলা’ হায়বা কলম অমদা লেপ্তুনা হৌখিবা ৱারীগী পাউদম পীরি। লাইরিক খরসু মশানা ইদুনা ফোংখ্রে মনা ফংখিবসু লৈখি। লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিংগী মরমদা ৱাহৈ কয়া লেপ্তুনা ফোংদোক্লি। ইবা লেপ্তে,ঙাঙবসু লেপ্তে। ঙাঙবগী জাৎতি মথক্তসু হায়জখ্রে তাবীনববু লৈরবদি মথন্তা ঙাঙবদা ৱারে হায়রোইদবা মীদা অমনি। ঙাঙবদি লীলাগী হৈনখিবা খোম্থোক্তা অয়েংবশিং তানবা ৱাঙাঙদা ঙাঙজরি। হৈনবীনি।

মণিপুরী ফিল্ম চাওখৎনবা হোৎনরকপদসু অচঙবা য়ুম্বী অমনি। মণিপুরী ফিল্মগী, মতম ঈশৈগী ৱার্কশোপ, সেমিনার কয়া ঙল্লিঙৈদগী য়াওরকখি। পেপর রিডর ওইরকখি। ওল ইন্দিয়া রেডিও, দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফাল শম্নরকই। লমদমসিগী মেডিয়া হাউস লোয়নরকই। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেডিয়াশিংদা লেপ্তুনা শরুক য়ারি, এঙ্কর ওইনা ইন্টরভিয়ুঅর ওইনা মোদরেটর ওইনা খূদিংমক্তা মশা থোক্তুনা হৌজিক ফাওবা শরুক য়ারি। মণিপুরী সিনেমা কুম্লকই। ভিডিওগী ইরা অমা লৈরমখি, মতম অদুদগী হৌনা সিনেমাগী আর্টিষ্ট অমসু ওইরক্লে। সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেক্নিসিয়ান্স এসোসিয়েসন (কাটা) হায়রিবা অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরমখি। লমদমসিদা সিনেমা চাওখৎনবা হোৎনবদা ফিল্ম ফোরম হায়বা অসি শেম্বা মথৌ তারকখি। ঙসি মণিপুরী সিনেমাগী খ্বাইদগী চাউবা ফিল্মগী লৌদাং লৌরিবা ফিল্ম ফোরম ওইরক্লবা হোৎনবদা থৌমী ওইরকই। জর্নি ওফ মণিপুরী সিনেমাদা মহাক্কী কন্ট্রিব্যুসন য়াওরি। নরেন্দ্র নিংঙোম্বনদি লমদম অসিগী মশক নাইবা মীওইশিং উন্নরগা অমদি মীশিংগা উন্নদুনা থৌ থৌদুনা হংলগা ৱা হায়দোকহল্লি, মখোয়গী মরমদা ইবীরি। মহাক্কী মরমদসু হৌজিক্তি হায়দোকপা হংদোকপা মতম ওইরে অদুনা ৱারেং অসিদা লংলা-লংজিন কাংথোকচবনি। অসুক য়াম্বা ময়ামসি মশানা “ঐনা লোয়না য়াওরকই, তৌরকই” করম্নদি হায়গদগে? হায়বা হৌনদে। মহাক্লা মীগী ইবীবগুম মহাক্কীসু ইথোকপীবা চুম্মী।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা লেপ্তুনা পীরকপা ‘ইবোয়াইমা এৱার্দ’ কুমসি চহী অসিগী মণিপুর শুমাং লীলা নুমিৎ এপ্রিলগী তাং ১২,২০২৫ অসিদা নরেন্দ্র নিংঙোম্বদা পীরকপগী পাউ ফংজবদা, হরাও নুংঙাইজবদগী মহাক্কী মরমদা ৱারেং অসি ইজবনি। নরেন্দ্র নিংঙোম্বগী মরমদা ইনীংঙাই হায়নীংঙাই য়াম্না লৈহৌরি। মহাক মীয়ামগীদমক কৎথোক্লবা সোসিএল এক্তিভিষ্ট অমসুনি। মমাংগী মেগী ৩দগী চৎথরকখিবা কুকিগী লান্দাদা শোক্লবা লমদমসিগী অৱা-অনা তারবশিংদা মহাক অমদি মহাক্কী খুৎপু,মণিপুর রেদ ক্রোস সোসাইটিনা লৌরিবা থৌদাং কাউথোকপা য়াদে। হৌজিকসু লান তৌরগদি মহাক রেদ ক্রোসকী ফুরিৎ লিংলগা ইবোয়াইমা শঙদগী মাগী কাঙবুগা লানফমদা চেনখিগনি। নরেন্দ্র নিংঙোম্বদা খাম্বা য়ারোইদৌবা অমা লৈরি। লৈপাক্কী অৱাবদা শরুক য়াবনা মরুনি হায়রক্নি। নুংঙাইরিবদি মহাক্লা নাৎকী ওইবা লুহোংবদা বর শেন্নবগী থৌদাং লৌরম্লিবা অসিনা কদোমদগী হাইজিন্দুনা থাংজিনখিবা খোঙথাংনো খঙদে। তাইবং শেম্বা মপু হায়সিরা, শকউদবা মহাক্লা ঙাকপী-শেনবীবা ওইসনু। ●



**ৱারী ককনাউ**

## মতম কুইরবগী তুংদা-২৪

“ইবানীগী মরীসে অসুক্কী মতিক নক্লে, অদুফাওবা খঙদ্রিবরা?” থাজমানবীগী ৱাহংদুনা ইবোতোম্ববু কয়াম কুইনা ঙাওহল্লুরবনো খঙদে। চপ য়ুংদুনা লৈখ্রে। থাজমানবীনা ইবোতোম্বগী মনাক খরগা হেন্না নকশিল্লক্লগা লেংজুমদা পায়দুনা মখা তারকই-

“খঙদ্রবরা?”

“খঙদে”

“হায়রোরা?”

“হায়রো”

“মরীসি খঙবগা নহাক করি তৌগনি?”

“খঙদ্রিবনিনা খঙদ্রি”

“খঙলবা মতুংদদি কমদৌবা?”

“থোক্লবা অমা লাক্লনি”

“ফীভম অসি য়ৌরবদা, চেন্নবদি য়ারোইকো”

ইবোতোম্বদু সুম-সুম চিংনরকপা হেল্লে। মা করিনো হায়ফম খঙলক্ত্রে। মাগী মশাদা হুল্লিবা মীহুলগী চাং সুম-সুম থুগৎলক্লে। থবাক্তা হুল্লিবা মীহুলগী মখোল অদু মাগী নাকোংদা হৌনা-হৌনা তারকই। মাগী মীপাইজবা মতৌদু উরগা থাজমানবীনা ইবোতোম্বগী মখূৎতু পায়শিল্লক্লগা মখা তারকখি-

“পাখৎপরা?”

“পাখৎতে”

“অদুগা করিগী অফক-অফাই চুবদৌনা তৌরিবা?”

“ঐ তৌদে”

“ফরে ফরে তৌবু তৌদ্রবদি”

“করিনো হায়রকও”

“নঙগী নচাদু নুংশিবরা?”

“ইচাদি নুংশি”

“নঙগী নুপীদি?”

হন্দক্কী ৱাং অসিমদি ইবোতোম্বা পাউখুম পীবা ৱাই। মাগী নুপীদু নুংশিনদুনা লৌরকপনি। মচাসু লৈরিবনি। ইনাক খুল্লম্বদগী নংথরক্তুনা শেল পায়রক্তবদগী, ইমুংদা ইশৌ লাংনরকখিবনি। মাগী নুপীনা অতোপ্পা নুপা অমগা অদুসু মনাক্তা লৈরিবা থাজমানবীগী নুপাগা কোয়নরে হায়বা তাবদা তশেংনা নুংঙাইখিদে, কমদৌনা মাঙখিবা নুংশিবনো খঙদে, মাগী নুপীবু হাৎনীংবা অমা য়াওনা শাউখি। অদুবু থাজমানবীনা শাউহনখিদে। থাজমানবীনা মহাক্কী ঙাওচৎনরবা পূন্সিবু তেল্লবা মতমসিগী মনুংদা খরদা ওইরসু হোংহনবা ঙল্লি। হোংলিবদু ফরিবরা ফত্তবরা হায়বদুমদি হায়বা ঙমদে। হোংবা হায়ববু মাই নুপীগা কোয়নরিবা নুপীদুনা হায়বদগী হৌজিক মহাক গুৱাহাটিগী হোটেল অমদা লৈররিসিনি। থাজমানবীনা নোৎতুনা হংজিল্লকই-

“হায়য়ো নঙগী নুপীদু নুংশিবরা?”

“হায়ফম খঙদ্রে। মঙোন্দা নুংশিরম্বদু ঐগী ইশাদা থিবা খঙদ্রে”

“ঐ পাউ অমা তাই, তম্মুরা?”

“তম্মু”

“নঙগী নুপীদো ঐগী ইনাওনুপী ওইরে”

“হায়বদি?”

“লোন্নবী ইনাওনুপী”

“করিনো হায়রিসিবো?”

“নঙগী নুপী রোবিতা ঐগী নুপা মোহেনদা কৈন্যা কৎতুনা ঐগী য়ূমদা পুশিন্দুনা লৈরে”

ইবোতোম্বা ৱাদু তাবদা মকোক ঙাওরকই। মাগী মচাদুগী মরমদা খঙখন খল্লকই।

“ইচাদুদি কদাইদা?”

“নঙগী নুপীগী মপামগী মীনা লাক্লগা পুখ্রে হায়”

“ঐগী য়ূমদুদি?”

“নঙগী য়ূমদুদি নোইগী ননেগী মচাশিং অমনা শঙলি হায়”

“অদুদি নঙোন্দা ঐনা করি থোকই। অদুগা নঙনা ঐঙোন্দা করি কৌফম থোক্লে”

ইবোতোম্বা মকোক হেন্না ঙাওশিল্লকই।

“মিঙ্গৌসি অখঙবা অমদা হংদ্রদি পাক খঙলরোই, মসি পাক পাক থোকপা নত্তে”

“থৱায় নুংঙাইতবরা?”

“কৈসু তৌদে। অদুবু খিত্তংদি নুংঙাইতবগুম তৌই”

“ঐদি নুংঙাই”

“ৱা অমত্তা হংগে?”

“নহাক্লা য়ু থক্লম্মীদু করিগীনো?”

“খঙদে, পূন্সিসে নুংঙাইরক্তবদগী সুম থকখিবনি”

“থক্লগা নুংঙাইবরা?”

“নুংঙাইবোই নীংই”

“নুংঙাইরসু য়ু থক্কে হায়সি চুম্বরা?”

“চুম্মী”

“অদুদি নঙনা থৱায় নুংঙাইতবা, ঐনা থৱায়সি নুংঙাইবা অমদি নুংঙাইতবা য়ান্নবা। অদো ইবানি য়ু খরা খরা থকসিরা?”

ৱাদু তাবদা ইবোতোম্বা ফুক লাউনা হৌগৎলি। অদুগা লেপ্পগা থাজমানবীদা য়েংলগা হায়রকই-

“অদুদি ফত্তেনে, অদুমাইনদি তৌরোইসি। ঐ মদু পামদে”

“নঙগী নতৌ য়েংবনি, নহাক নবুকচেল কয়াম চেৎলি য়েংথোকপনি। কৈদৌবগী য়ু থক্কদৌরিনো?”

“য়ূমদা থোক্লসি”

“উম থোক্লবা তৌরসি। অদু মখাদি কমাই তৌনি?”

“সিগী মখাদি... ঐ খনফম খঙদ্রে”

“নঙগী নুপীগা ঐগা য়ূম-য়ূম ওন্থোক্লবদি করি কাই?”

ৱাদু তাবদা ইবোতোম্বা খংপ্রেক খংই।

“হা....???” ●

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**